# য়ূমদা হুই-হৌদোং করম্না অনা অয়েক য়াওদনা থমগদগে?

**- ময়াংলম্বম ওলিম্পিওন -**

মালেমদা লৈরিবা কন্ত্রিশিং পূন্বা য়ূমদা পেটস থন্বা হায়বসি তৌরগা লাক্লি। মণিপুরদসু য়ূম অয়াম্বা হুইগা হৌদোংগা লোয়নরি। খরা অমনা রেবিটস, গিনি পিগ লোয়নবসু য়াওরি। মীওইবগুম মখোয়সু মতৌ করম্না মশা ফনা লৈগদগে, করম্বা ৱেদরদা করি তৌবীগদগে হায়বদি অয়াম্বনা খঙদ্রি, শন্নপ্পা প্রেরেগ্রাফকা লোয়ননা মীৎয়েং তামিন্নসি :-

চিঙ্গাক : চিঙ্গাক হায়বসি মীওইবদা মরু ওইবগুম, ঐখোয়গী য়ূমদা লৈরিবা হুই, হৌদোংশিংগীদমক্তসু মরু ওইবা অমনি। অফবা চিঙ্গাকনা মখোয়বু মশা ফনা থন্বতা নত্তনা অনা-অয়েক কয়াদগী ঙাকথোক্লি। ভেটিরিনরি ক্লিনিক অমদগী মমল তাঙবা লৈরগা লোইনা পীজগনি হায়বা নত্তে, য়াম কূপথনা য়েংলুদ্রসু, মণিপুরদা লোয়নরিবা ৱ্রীদশিংগা চানগদবা হুই অমদি হৌদোংদা কন্মন ওইনা পীজগদবা অমদি পীজরোইদবা খরা থমজরি-

| Do | Don`t |
| --- | --- |
| Eggs | Chocolate |
| meats | alcohol |
| Sweet potatoes | Caffeine, tea |
| Yogurt, cheese | Garlic, onions |
| vegetables | Biscuits, sugars |
| fruits | Soda and products |
| Fish oils,salmons | Mushrooms, tomato |

**টেবল : পেটসনা চাবা য়াবা অমসুং য়াদবা**

কাঙলোন চুম্না ইরুজবীবা : ইরুজবা (বাথ) হায়রগা ঐখোয়না মোৎপা মতমদা তৌগনি হায়বা লৈতে। অদুগা নুংতিগী লুজগদবনি হায়বসু লৈতে। থা অমদা অনীরক শুংশোয় শোয়দনা লুজবীয়ু। মীওইবদা শীজিন্নরিবা কেমিকেল য়াম্না য়াওবা শম্পুশিং শীজিন্নরোইদবনি। মরমদি হ্যূমেন স্কিনগী পি ঐচ বেলেন্সকা হুইশিংগা মান্নদে, হ্যূমেন moisturizing shampoo শিংনা পেটসকী স্কিনবু কা হেন্না দ্রাই ওইবা য়াই অদুগা ticks, fungi, bacteria লৈরল্লবদি হাৎপা ঙমদবতা নত্তনা scratching, dry, flaky ওইদুনা lices, parasites, bacteria কয়া লৌনরকপা য়াই। ভেটিরিনরি ক্লিনিক অমদগী মেদিকেটেদ দোগ শম্পু শীজিন্নবীগদবনি, মসিনা পেরাসাইটস, ফঙ্গি, বেক্টেরিয়া লৈরল্লবসু স্কিনদগী হাৎপা ঙম্মী, স্কিন ইনফেক্সনদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। চুম্নগী হ্যূমেন বেবি শম্পু শীজিন্নরসু য়াই। হৌজিক ইরুজবগী মতাংদা পেটসকা চানবা টব অমদা ঈশিং লুম্বু-লুম্বু শাবনা মশা পূন্বা চোৎহল্লবা মতুং শম্পুনা মসাজ তৌবীরো অদুগা ঈশিং থাদোকপা মতমদা সাপোন নৎত্রগা শম্পু অদু শেংনা থাদোকপীয়ু। অদুগা মতুশিং অদু কংহনবদা দ্রায়র শীজিন্নবীয়ু। ষ্টেন্দ ফেন লৈরগসু য়াই। অসুম্না কংহনবসিনা স্কিনগী ফর (মতু) শিংদু নপশিনহন্দে।

ইরুজবীবনা মখোয়বু হরাওহল্লি, রিলিফ ওইহন্দুনা চোঙ-ফন তৌদুনা শান্নজে, lice হন্থহন্দুনা মশা হোৎপা ফহল্লি, অদুনা নারক্তনবা ইরুজবীবা হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা ষ্টেপ অমনি।

ভেক্সিনেসন : ভেক্সিনেসন হায়বদি মতম চানা হীদাক কাপথোকপীবা। মসিনা লায়না মখল ১১ হেন্না ঙাকথোকপা ঙম্মী। অদুবু দরকার লৈগদবশিং শুংশোয় শোয়দনা কাপথোকপীগদবনি। হুইদা চয়োল ৭-৮ শুরবদি

অহানবা দোজ কাপ্পা য়ারে। হুই অমদি হৌদোংগী নাগনবা অমদি কাপকদবা খরা থমজরি।

১) Rabies : থা ২/৩ শুরদি হুইগী এন্টিরেবিজ কাপ্পদুনা অমুক ওল্লকপা চহীদা কাপ্পীগনি অদুগা চহী ৩ খুদিংগী হনবীয়ু। হৌদোংগীনা ৱীক ১২-১৬ শুরকপা মতমদা কাপ্পীবা য়ারে।

২) Parvovirus : মসি য়াম্না মরু ওইবা ভাইরস অমনি। লায়েংবদসু লুবা, শিবগী চাংসু চাদা ৮০ ওইরি। ৱীক ৩/৪ কান্নরগা পার্ভো ভেক্সিন দোজ ২ কাপ্পীয়ু।

৩) Hepatitis : Canine viral hepatitis (adenovirus) হায়রিবা ভাইরস মখল অসিনা থোকহনবনি, মীওইবগী হেপাটাইটিসকদি খেন্নে অদুনা জুনোটিক ওইদে।

৪) Canine distemper : হুইশিংগী খ্বাইদগী কন্মন ওইবা লায়না ওইবনা মসিমসু ভেক্সিনেসন তৌবীগদবনি। দোজ ২, ৱীক ৩/৪ কান্নরগা অমুক কাপ্পীয়ু।

৫) Feline calicivirus/influenza/distemper : হৌদোংগী ওইনা core vaccine combined ওইনা লায়না মখল অহুম ঙাকথোক্লি, মসি অদুম কাপ্পীবা য়ারে। ইশানা ফনা হীদাক কাপ্পা হৈবীরসু ত্রাই তৌবীগনু, ভেটিরিনরি ক্লিনিক অমদা চৎলগা কাপ্পীয়ু, হীদাক কাপ্পা লোইরগা মশাদা এবনোর্মেল ওইরকপসু য়াওগনি, শম্না পঞ্জরবদা fever, staggering, শ্বর হোনবা ৱানা উবা, মশা শোন্থরকপা, হূমাং কারকপা, ওবা অমদি ফাইবা য়াওরকপা অসিনি। অদুনা শোয়দনা ভেটিরিনরি ডোক্টর অমগী মনাক্তা পুরগা কাপ্পীয়ু।

Dogshed (kennel), catshed থন্বীবা অমদি শেংদোকপীবা :

মীওইবগুম জীবশিংসু য়ূম অমমম দরকার ওই। অয়াম্বা পেট ওনরশিংনা ঐখোয়গী ফমুংদা নৎত্রগা ঐখোয়না লৈরিবা রুমদা অদুম থাদোক্তুনা, তূমহন্দুনা থল্লি। মসি করিসু কায়দে হায়রবসু মখোয়না নারকপা মতমদা, মচা পোক্লক্কদবা মতমদদি য়াম্না নুংঙাইমীন্নদবা হায়বদু ওইরি। মদুনা মখোয়গীসু মশাগা চানগদবা য়ূম অমা শাবীয়ু। শারং শেন্বীয়ু মসিনা ঐখোয় মীওইবদগী মখোয়দা লৌনগদবা লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি। অদুগা মখোয়দগীসু ঐখোয়না ঙাকথোকচবা ঙম্মী। অদুনা হুই অয়াম্বদি য়ূমগী মপানদা থল্লি। অদুনা ৱেদর চেঞ্জ লাকপদা মখোয়সু নাবা য়াওদবা নত্তে। অদুগা থা অমদা অমুরক্তি মকোনশিংদু শেংদোকপীয়ু।

সেনিটেসন মতিক চানা থন্বা : পেটশিংবু মশা ফনা থম্নবা, নাহন্দবদা য়াম্না মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। ঐখোয়না মখোয়গী litter তৌফমদু নুংতিগী শেংদোকপীয়ু। মকোন অদু উবাক্লা শারবদি শুমজিৎনা শিত্তোকপীয়ু। ফিনা শাবা হৌদোং মকোন ওইরবদি ফি তোয়না শিনবীয়ু। অদুগা দিসইনফেক্টেন্ট হায়বদি সোদিয়ম হায়পোক্লোরাইদ, কেলসিয়ম হায়পোক্লোরাইট কাপথোকপীয়ু। ঐখোয়না পেটসকী হাওসসেদতু নুংশাদা অমুক অমুক ফৌদোকপীয়ু। মসিনা faeces (মথী) অদু কংশিনবদা অমদি মহীক হাৎপদা মতেং ওইনবনি। য়ূমদা হুই-হৌদোং অমদগী হেন্না লোয়রবদি মখোয়গী মহি নৎত্রগা চিঙ্গাক হাপফম বোল অদুদগী লায়না শন্দোরকই। তোয়না শেংদোকপা, চেকশিনবা হায়বসি তঙাইফদবা অমনি।

এক্সর্সাইজ তৌবা অমদি অরূন্বা ওনবা : পেটশিংবু যোগ তন্বীয়ু হায়বা নত্তে। ঐখোয়গা শান্নজবা অদুগা মখোয় মশেল শরাক শান্নহনবা হায়বসি মখোয়দা এক্সর্সাইজনি। অদুনা চ্যেন নৎত্রগা শারংদা মতম চুপ্পা থন্বীবা পেটশিং নাবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ। হকচাংগী অরূন্বা, চহীগী মতুংইন্না লৈ। মদুগী চার্ট অমা য়েংবীরগা, য়াম্না ৱাৎপা নৎত্রগা হেল্লবদি ক্লিনিক্তা পুবীয়ু।

চেক-অপ : হৌজিক মণিপুরদা ভেটিরিনরি ক্লিনিক মফম অয়াম্বদা লৈরে। অদুবু নাদ্রদি পুদবগী চৎনবী অমা

অদুম লৈরি। "Prevention is better than cure" হায়বসি ঐখোয় মীওইবদংগী শেন্বা ৱাহৈ নত্তে, জীব পানবা খুদিংমক্কীসু য়াওরিবনি। চহীঅমদা অমুরক্তি পুরগা চেক-অপ তৌবীয়ু। মরোন থোকপা ঙমদবা জীবশিংবু নুংশিবীয়ু। অনা-অয়েক য়াওদনা থন্বীসি। ●

# অহল ওইরবশিংবু থৌশাবীদবা (মীৎয়েং অমা)

**- নান্দেবম প্রমোদা -**

পুন্সি লন্বীদা হৌখ্রবা মাঙলমচৎকী শরুক্লা শাংখ্রবা, তুংগী লেমহৌরিবা লন্বীনা তেনশিল্লক্লবা, পাঙ্গল শক্তি পূন্নমক হিকথরক্লবা, পুন্সিগী আশা-পান্দম হায়বা লৈরক্ত্রবা, চহীনা লূমথরক্লবা অহল ওইরবশিং তশেংনা নুংশিনীংঙাইনি। নহা ওইরিঙৈ, পাঙ্গল কল্লিঙৈ কনানসু কিনদে। পূন্নমক কাউনৈ শোল্লক্কনি, হনুরক্কনি, অরোইবদা শিরক্কনি হায়বা। মসি মীওইবগী পুন্সিরোলগী চৎনবী ওইরমাল্লে। অদুবু মাঙগী পুন্সিনা শাংলবা তুংগী পুন্সিনা তেল্লক্লবা পুন্সি তাঙ্কক অসিদা খরদং য়াইফনবা করি করি তৌবিবা য়াই হায়বসি অয়াম্বনা নীংশিংবীদে অমদি থৌশানদে। মসিবু চুন্নিবরা হায়বসি ঙসিগী নহাশিংনা মুন্না খন্থনীংঙাই ওইরে।

মচা-মশু ওইবশিংনা অহল ওইরবা মমা-মপা ওইবশিংবু য়াম্না কিজনা, নুংশিনা, লুনা-চান্না তৌবীদুনা করি ৱাৎখিগদগে হায়দুনা চেকশিন্না থৌগল তৌজবা কয়াসু লৈতবদি নত্তে। অদুবু হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইনরকপা, ইশা-ইশাগীদা য়েংনরকপা, মথৌ য়াম্ন রকপা মোরেল রেস্পোন্সিবিলিটি য়াওনরক্তবা, মীনুংশি-থৌজালগী মফম লৈনরক্তবা কয়ানা ওইহল্লকপরা খঙদে অহল ওইরবা মমা-মপাবু থৌশাদবা, হন্না য়েংবীদবা হায়বসি ঐখোয়গী খুন্নাইসিদা তোয়না থোক্লি। মচা-মশুশিংবু ৱারৌনা, পিদোন্না হিংজবা অহল-লমনগী মশীং অদুক্কী মতিক য়াল্লে হায়বা য়াই। মসিমক তশেংনা পূক্লিং নুংশিনীংঙাইনি। ঙসিগী মীরোলনা হৌখিবা মতমগী ইপা-ইপুশিংগী হোৎনজমল, মখোয়গী কৎথোকপা অদুগী মহৈনা য়ূস্ফম থোনবিরম্বনি। ঙসিগী মীরোল ঐখোয়না অমুক তুংগী মীরোলগীদমক হোৎনরিবা অমদি কৎথোকপীবা মথৌ তারি। অসুম্না ঙসিগী মমা-মপা ওইবশিংনা মচা-মশুশিংগীদমক খা-রাই খঙদবমখৈ হোৎনরি, শেন্বীরি, কৎথোক্লি। অসুম্না মতম অমদা ঐখোয়গী অহল-লমনশিংসিনা ঐখোয়গীদমক শুজখি-নোমজখি, হোৎনবীখি, কৎথোকপীখি হায়দবা য়ারোই। করিগুম্বদা মচা-মশুশিংবু মীরায়বীখিবা, থৌশাবীখিদবা, ইন্থোকপীখিবা য়াওনৈ অদুবু মদু তোঙানবা মচৎ অমনি। মহৌশাগী চৎনবী লীচৎতদি মমা-মপা ওইবশিংনা মচাশিংগীদমক থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা হোৎনবীরি। তাইবঙপাল অসিদা খোঙদাবিরক্তুনা অৱা-নুংঙাই শরুক য়াজবা ফংলিবা ঐখোয় খুদিংনা ইমা-ইপাগী মফমদা শিংঙমদ্রবা লমন তোনশিল্লে হায়নরি। ফীভমসিদা মশাগী অৱাৎ-অপা লৈত্রবা, ফিরেপ চানা লেপচবা ঙল্লবা মতমদতা মচা-মশু ওইবশিংনা মমা-মপা, মপা-মপু ওইবশিংগীদমক অমুক য়েংশিনবীবা, নুংশিনা য়েংশিনবীবা হায়বসি কানফদ্রবা থৌদাংনি। পাঙ্গল য়াওরক্তবা, শু-নোম্বা ঙল্লক্ত্রবা হায়বসি পূক্লিং-ৱাখল পিকশিল্লক্লবনি। মতাং অসিৱাইদা অহল ওইরবশিংনা মচাশিংগী শেগা থিরকপা, মখোয়দা হীরম খুদিং ঙাজরকপা হৌনশানি। মসিদা মচা ওইবশিংনা মীরায়বীরবদি, মীনুংশি, ইকায়খুম্নবা উৎপীদ্রবদি করম্বা থম্মোয়না শান্তি ফংগনি।

মতমসিগী থোয়চৎ-ৱাংচৎনা হিংলিবা নহাশিং, মোরেল দিসিপ্লিন ৱাৎনরবা মীরোলশিং অসিগী মীৎয়েংখাদা পূক্লিং-ৱাখল লৈতাবা ফংজদ্রবা, চাবা-থকপা নীংবা থুংজদ্রবা, হকচাংগী পাঙ্গলগী শক্তি মাঙশিল্লকপগী অৱাবা কোকথোংনজরবা, তয়াং-তশোইননা হিংলিবা অহলশিংনা অয়াম্বনি। মরম অসিনা অহল ওইরবশিংগীদমক য়াইফ-থৌরাং লৌখৎপীবা য়াম্নমক তঙাইফদে। লৈঙাক্লা পীবিরিবা ওল্ড এজ পেন্সনশিং চাং নাইনা অমদি হকথেংননা অরায়বা মওংদা ফংজনবা মরী লৈনবা খুদিংমক্লা হোৎনবীবা মথৌ তাই। লোয়ন-লোয়ননা অহলশিংগী লৈফম অমদি পোত্থাফম হাংদোকপীগদবনি। অহলশিংগী ওইবা অখন্নবা পার্ক, মীতিনফম্নচিংবা হাংদোকপীদুনা পূক্লিং-ৱাখলগী পোত্থাফম, পাঙ্গন-থৌনা হাপ্নবা মরী লৈনবশিংনা শীলহঞ্জনীংই। 'অহল ওইরবশিংগী অখন্নবা নুমিৎ' পাক-শন্না থৌরম পাঙথোক্তুনা মখোয়গী থৌনা হাপ্পীবা, ইকায়খুম্নবীবা মথৌ তাই হায়বসি লমদমসিগী মীরোলশিংদা খঙহনবা য়াম্নমক তঙাইফদে। অহল-লমন মশক খঙবা, মখোয়বু অৱাংবা ফিদাদা থমদুনা লেন্নজবা খুন্নাই অমা ওইনা হৌরকখ্রবা ঐখোয়গী লমদমসিদা অহল ওইরবা খুদিংমকপু লুনা নীংজবা, মীনুংশি উৎপীবগী ফজরবা লিচৎ অদু খুন্নাইসিগী খুর্জি পায়রিবা নহারোলশিংগী পূক্লিং-ৱাখলদা চুশিনখ্রবদি তৌহন্নীংদবা, থোকহন্নীংদবা শক্লোনশিং মাঙহনখিবা ঙমগনি হায়বসি ঐহাক্কী অচেৎপা থাজজবনি। অহল-লমনবু লুনা তৌসি। ঐখোয়গী নুংঙাই-য়াইফবসু শেমসি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## ভাবোক্কীসু, কোভিদ-১৯গীসু

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

লুহোংবগী থৌদোক কনানসু থিংবা ঙমগদবা নত্তে। অদুবু মতমসিগী লাইচৎসিগী ঈরাংসিদদি থৌ ইশা শাদবগুম্বা অমা অদুমক ওইরবনি। মসি পংহায় হায়জিনবগী ৱা নত্তে। নৌরিঙৈগী মতমদা অকিবা ময়াম অমা লৈনরল্লবসু হৌজিক্তি হান্নগুম্না ওইবগী ফীভম অদুমদি ওইদ্রবনি। মমাঙ চহীগী দিসেম্বর থাদা লুহোংখিবগী ৱারীদা য়ূম্ফম ওইরগা থাজবা য়াবা অমনা বর-কৈন্যা অনীমক পোজিটিভ ওইবগী ৱারী তানদ্রবসু তাবগী ৱারী লাক্কদৌরিবনি। লাইচৎসিদগী কন্নবগীদমক মাস্ক উপ্তুনা, ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর (এস ও পি) গী অরাপ্পা লৈরমদ্রবসু লুহোংবা য়াওবা লাক্লিবা মীওই অদুনা মিটর অনী লাপথোক্লা ফম্নবা হোৎনবা মসিসু অদুমক মরৈরিবনি।

য়াম্না ঙকপা অমনা, মিটর অমসি ইঞ্চি কয়ানো? ফুট তরুক্কা মিটর অনীগা শাংবা কনানা হেনবগে? করিগুম্বা মতমদা মিটর অনী লাপথোক্লবগী হায়বসিসু অদুমক য়াওরিবা পোৎনি। ফুট তরুক হায়গেরা নৎত্রগা মিটর অনী হায়গেরা অনীসিগী মনুংদা অমা হায়বসিনা ফগদবা মাল্লবনি। অনী লোংবীগী থবকসিদি য়ারিবমখৈ খুর্জি থাদবা ফদৌরিবনি। হৌজিক হৌজিক্কী তৌদবা য়াদ্রবা থৌদোক খরা পনবা তারবদা শ্রীশ্রী-গৌরচন্দ্রায় নম: লোয়ননা লান্ন-থৌরম, ফিরোই, লুহোংবা, মঙানি চাক্কৌবা... হায়রিবা থৌদোকশিংসিদা এস ও পি ঙাক্লা চৎপসিবু কদায়ৱাইদা লৈরিবগে?

অশি-অনাগী থবক থৌরমগী মান্দপ ময়ায়দা ঈশৈ শকপা তারবা, পৈশা থানবগীদমক কোম্পাক অমা অয়াম্বদা থম্নবা ওইনা তৌনরবনি। ঈশৈ শক্লিবা ওজাশিংদুগী মশীংদুগী মতুংইন্না কোম্পাক অদুদা পূন্না থারম্বা মসিমক কন্না চৎনখৎলক্লবনি। মসি লাইচৎসিগী ৱারীদা... মসি ফরবনি। অদুবু অঙকপদা করি করিগুম্বা মফম খরদদি কোম্পাক্কী ৱাহন্থোক লৈতবগুম্বা অমা অদুমক মরৈরি। মসিনা করম্বা চৎন-কাঙলোননো? নাকল অমদা চেকশিল্লগা নাকল অমদনা পুংহো হোবগী মওং অমা য়াওরক্তবা নত্তে। মসি মুন্না খল্লুরবদি মশা মশানা চেকশিন্দবগী থৌওংনি। চেকপু চেকশিল্লবা লাইচৎসিদি থমখিসি, নুংশিৎ নুংশা ফাওবা চঙবদা ফরক তাদৌরিবনি। থওইদবা য়াবা নত্তে।

হন্দক্কী লাইচৎসিদি বোমদা হায়রবদি এটোম বোমগুম্বনি হায়বদা য়ারদৌবনি। অসুক য়াম্না শাথীরবা লাইচৎসিনা তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়দা মমাঙগী চহী হায়বদি ২০২০দা লাক্লরিবসিদি কৈদৌঙৈ ফাওবা ওইদৌরিবা? মদুমক্তংগা খঙলবদি নুংঙাইগদবনি। অশি-অনাগী থৌরমদা পুং তরানিথোইগী মমাঙদা লোইশিন্নবা হোৎনৈ। অয়ামবসু লোইশিনবনা অয়াম্বনি। মখা তানা কনাগুম্বা থৌদোক অমত্তা য়াওদবনি। অদুবু লুহোংবগীদি লাইচৎসি লৈত্রিঙৈগী মওংদুদা অদুমক লৈনবা ওইনা তৌনবা, মসিনা করম্বা মথেলগী ... হায়ফম খঙদে। অথিংবা ময়াম অমা লৈদুনসু অথিংবা অদুবু ঙাক্লা চৎপা করম্বা মফমদা লৈরি হায়দৌরিবনো? ফজখ্রবা চৎন-কাঙলোন কয়া অমা লৈদুনসু কাঙলোন অয়াম্বা ময়াক চম্বগুম্বা অমা ওইরবনি। থওই ৱাওইদবা মীসিদি খূৎথিবদি অদুমক নংদনীংঙাই লৈরোই। মখোয়না ওইদনা থেঙনদনা য়ূমদা তুমিন্না লৈজবা মীওইদা ওইগদবা নত্তে। অঙ্গৈবা থাসিদি চহী য়াল্লবা মীওইশিংগীদি চেকশিনবগী তঙাইফদবা হায়বদু ওইদৌরিবনি।

য়াম্না ঙকপা অমনা করিগুম্বদা ভাবোক্না ওইরবা ঈংবা খঙদবগুম্না অমা ওইবনি। মরমদি পালাদা পৈশা থারদি ভাবোক্কীসু চাকথুং শোয়দনা য়াওগনি হায়বসিমা ফক্লাংদা লৈতুম্না থাবগুম থোক্লবনি। মুন্না খন্থরুরবদি ভাবোক্কী থবকসিদি লৈকায় অদুগী শিংলুপকী মনুং মনুংদা লৈবা শেন্থোক লন্বী লৈজদ্রবা হায়বদি থবক তৌরমদবা পেন্সন ফংজদবা মখোয় অদুখক্তমক খল্লগা ভাবোক ওইহনবসিনা খ্বাইদগী ফরবনি। মদুদি নৎত্রদুনা পেন্সন থা খুদিংগী ফংবা মীওইদুদা ভাবোক ওইহনবসিদি মুন্না খল্লুরবদি শোয়রবনি। মতমসিগী পৈশা থাদবা য়াদনা পৈশা থানবসিদা ভাবোক অমনা য়ামদ্রবদা লুপা ৩০০গী মথক্তদি তারবনি। মসিদা মীহৌবা লেমজখিদ্রবা অহলগী মতমদা শাথীনা মমঙ খূৎনা লাম্বা ফংগদৌরবা মীওই লৈকায়দা, খুলদা য়াওদবা নত্তে।

ভাবোকনি হায়দে, অখঙবা মীওইশিংনা ফজনা ঙাঙনদবা য়াওরিবা পোৎনি। খুল লান্না লৈকায়গী ৱাংমদা ভাবোক ওইনা চৎলুবা য়াবা নত্তে। মসিমদি অখঙবা অউবা মীনা ফজনা ঙাঙনদ্রবনি। মীওই অমা ওইনা ঈজৎ য়াওররোই হায়না তোক্কা থিদবা মখৈ মসিমদি খঙদ্রে। য়ারিবমখৈ লাইচৎসিগী চৎন-কাঙলোন খরা লৈরিবসিগী মনুংদা থওইদনা উশিৎতনা থৌ শাদ্রবা তম্বা ঙম্বা নত্তবা লাইচৎ শোয়দনা মতমদুদা ইথন্তা পেঞ্জদবা ওইদৌরিবনি।

কোভিদ-১৯গী লাইচৎসিনা নেমথদুনা ফখ্রবসু মতুং তারকপগী ওইনা মাস্কসিমদি শীজিন্নবদা খ্বাইদগী ফবা ওইদনীংঙাই ওইরোই। অফবদি ফদুনা লৈবা ফত্তবনা মাঙহনখিবা মসিদি তাইবঙগী হৌনশা অদুমক ওইদুনা লৈদৌরিবনি। নুংশিবনি, মরী মতানি, ইচিন-ইনাওনি হায়দুনসু কোভিদ-১৯গী লাইচৎতা তাইবঙপান থাদোক্লবা থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংদুগী মনাক্তা কনা অমত্তা চঙলরোইদবনি। সংস্কার ফাওবা... মসিমা শোয়দ্রবনি। অশিবা হকচাংগী মনাক ফাওবা চঙবা য়াদনা হঙ্গোইনা পুন্সি চেঙজেল লোইবসিদি শিরিবা মাগী থৱায় মঙাদুনা পেঞ্জরমগনি হায়বা থাজবা ৱাৎলবনি। শুংশোয় শোয়দনমক কোভিদ-১৯গী হীদাক পুথোরক্কদৌরিবনিনা শুংশোয় শোয়দনা কোভিদ-১৯ মাঙখিদৌরিবনি। মসি নৎত্রবা ফাওবদি সোসিয়েল দিষ্টেন্স থন্বা, খূৎশা তোইনা হাম্বা, মাস্ক নিংথিনা উপ্পা কাঙলোন অহুম অসিবু ঙাকপদা লাইচৎসিদি কচ্চা হায়বদু ওইদৌরিবনি। থাজদবা য়াবা নত্তে, উরেদনা।

***অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা***
***খুরাই লাই ৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল***

## করপসনগী মহিক ওইনরগুমসি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়সে মপু মানা শান্নপোৎ অমগুম ওইনা থারকপনা ঐখোয় ঐখোয়গী ৱাখলনা শান্ননীংবা, তৌনীং-তৌনীংবা অপাম্বা তাইবঙ ফম্বাক্তা অফবগী লমদবু ওইরো, ফত্তবগী লমদবু ওইরো শান্নরি। অপং-অশিংগী ফম্বাক্তা লীলা থোক্লি। ঐগী-মীগী হায়বা ৱাখল্লোন্না মীগী মাঙনবা শিনবা, ফনবা শিনবা কয়াগী শক্তম লাংবসু য়াওরি। অদুগা মরক্তা খ্বাইদগী শাথীবা মহিক অমদগী হেল্লবা করপসন হায়বা মহিক অমসু য়াওরক্লি। মসিনা চঙখিবা মীদা তান্নরুবা থবক অমত্তা পাক থোকউ য়াদবা, চবান থাদ্রিমখৈ লাইয়োকপা কোক্তবগুম চৎনবী ওইরক্লি অদুনা অচৌ পিশক খায়বা থবক থবক্কী মতুংইন্না হৈকৎ-লৈকৎ তাইবঙ লাইদা কৎত্রিমখৈ তৌরুবা থবক ওইদবসু য়াওনরকপা, চে মচেৎ অমদা সোই অমত্তং তৌবগী, লাইরিক্কী মীং চনবগী, ফাইল মচা অমত্তং থাংদোক থাংজিন তৌবগী চপ্রাসি ফাউবগী শিন্থাদসু চা, ক্বা চানবা, অচৌবগীনা শেল নৎত্রগা পোৎ চৈ লৈদুনা অথেনপোৎ কৎনবা য়াওদবা নত্তে।

মসিদা থবক ওইদনা মাঙবসু য়াওনরি। মীয়াম্না খঙনা তানরবা ঙাক্লি। অদুগা লায়রবগী লন্বীদা চঙশিন্নবা লৈজরম্বা য়ূম, ইষ্খোল, লৌ, বন্ধন থম্নবা য়োনবা য়াওনবা কয়ানি। লাইবক ফবনা থবক ওইরগা চঙখ্রিবা লন-থুম হঞ্জিন্নবা করপসন হান্না তৌনরকপা থবক অমা তৌবদা শেল লৌনবা হোৎনবা, থবক ওইহৌদবনা অৱাবদা অৱাবা, কোক্তা খূৎ হাপ্পা য়াওদবা নত্তে। অমরোমদা মসি মুন্না খন্থদুনা য়েংলগদি পীরিবসু, লৌরিবসু অনীমক ইরান লানৱ্রা খল্লি। মসিনা তুংগী লন্বীদা অফবরোমদা ওইরকপগী মমি শান্নক্কনি নীংই। অদুগা অমরোমদা লাইরিক তাকপী-তন্বীরিবা ওজা গুরুগী মরক্তসু মহিকসি চঙবা য়াওব্রা খল্লি। স্কুল অমা চাওখৎনবা, মীংচৎ লৈহনবা, মহৈরোয়শিংবু লাইরিক্তা পূক্লিং চঙহনগে চঙহল্লোই তাকপী তন্বীরিবশিংদা হক চাউনা লৈব্রা খল্লি। অদুগা লৈঙাক্কী স্কুলনা লন্নাই স্কুলদগী ময়েং তাথরক্লিবা, লৈঙাক্কী মায়কৈদগী শেন্বী-শাবীবা য়েংশিনবা ৱাৎপনরা শোথনরকপা, ফরম-ফরম্বা, মমিং চৎলম্বা লোইশঙ কয়া কাঞ্জথাং ওইদুনা মুৎনখ্রে। শম্না খুদম অমত্তং পঞ্জরবদা মতম অমগী মমিং চৎলম্বা রাজা দুম্ব্রা, আর দি এস হায় স্কুল লোইশঙসুনি। হৌজিক্তি লাইরিক তম্ফম ওইখিদরে, মমিং ফাওবা কাউনখ্রে। অদুনা পূন্নমক ইশাগী ইপোৎপু লান্না শীজিন্নদুনা মিরাং থুহন্দুনা অরেম্বদা থল্লি।

অদুগা নাকল অমরোমদনা চাওখৎনবা কন্না হোৎনরবসু নাকল অমনা চাওথনবা হোৎনরবদি লমদমসি ওইদ-পাদবগী চৎনবীনা খুদুম চনখিদুনা চাওখৎপা অমদি মহৈগী থাক্তা ময়েং তারক্তুনা নোংমদি মৈশা লাংবা লমদম ওইরক্কদ্রা খঞ্জে। অমরোমদা লৈঙাক্কী ওজা থাগী লেঙদ্রবা তোলোপ লৈবনা ওজাশিংনসু স্কুল কাবগী চাং হন্থে, নোংমা কানি, নীনি লেপ্পা, থবক লৈ-লৈতে, তৌনীং-তৌনীংবা তোলোপতা ঙাইবগুম তৌনবসু য়াওদবা নত্তে। চীং-মান্দা পোষ্টিং থারবসু চৎনীংদবা, ৱাচৎ-ৱানোম চৎতুনা করপসন তৌরিঙৈ ইশাগী ইথৌ কাউনদুনা স্কুল কাদবগী হৈনবী লৈনবসু য়াওদবা নত্তে।

লাইরিক তন্বীবদসু খোয়জংদবা, নীংথম থাগী মতমদনা মপান্দা মোজা লোন্দুনা নুংশা য়াইদুনা পেরিয়দ তাবা ঙাইবসু কয়ানি। তৌবতবু ওজা লোইনমক্কী ৱাফমদি নৎচদে। অদুগা পরিক্ষা লোইখ্রবা, হায়দোকপা মতমদুতা লৈঙাক্কী স্কুলনা পোজিসন য়াওরকপা-য়াওরক্তবগী মথি ফোংনরকপা ঙাক্তনি। অদুগা লন্নাই প্রাইভেট স্কুলগী ওজানা স্কুল কাদ্রবদি তোলোপ ফংদবা, তাকপা ফৎত্রগনা মীৱা তাবা মরম্না চেকশিল্লি, স্কুলসু কাবা লেপ্তে। অনীসিগী খেন্নবা লৈবনা লাইরিক খূৎতাক্তসু অমনা স্কুলগী মীংচৎ লৈনবা, অমনা থাগী তোলোপ লাকপখক খন্দুনা তাকপসিনা মহৈরোয়শিংনা হৈবগী অমদি তমনীংবগী চাংসু হন্থরকপনা প্রাইভেট স্কুলদা হোংনীংলকই। অদুনা ওজা অমা লৌবীবা তারবসু ওজাদুগী মগুন, মহৈগী থাক, লাইরিক তাকপীবগী কাঙলোনশিং, মহৈরোয়গা ওজাগা করম্না লোয়নগনি হায়বনচিংবা মমুৎ তানা চাংয়েং তৌবীদুনা খনবীরবদি অফবা ওজা লাক্কনি নীংজে। অদুনা হৌজিক্তি করপসনগী মহিক ওইনরগুমসি। হৌরক্লিবা তুংগী য়ূম্বীরেল ওইরক্কদবা মহৈরোয়শিংবুসু অচুম্বা লন্বীদা চিংবীদুনা মতমগী অওনবা নুংশিৎ-নুংশাগী মৈরিনা হূমদুনা-চাক্তুনা মাঙখিদৌবা পুন্সিদগী কন্নবা হোৎনবদা পূন্না থৌদাং লৌমিন্নসি হায়জনীংই।

***অদোমগী - তবানু খুরাইজম***
***ৱাংখৈ অঙোম লৈকায়***

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।